HUEIYEN LANPAO

"নুংশিনবা হায়সিদি - ফিজেত্তা লৈতে, মায়খোংদা লৈতে। অদুগা চিঞ্জাক্তা লৈতে। অদুম্মক নুংশিনে।"
-পাচা মীতৈ (কাপিমাই মমাঙদা পাইবক কপসু য়াওই, কত্তবসু য়াওই)

## কৈরাক

—নাওরেম গ্যানন্দ

পুন্সিগী পান্দম ফংনবা
কারসি ঐখোয় কৈরাক,
নুংঙাই য়াইফনা হিংনবা
কারসি ঐখোয় কৈরাক,
মপা মপূশিংনা থন্বীরম্মী
শেঞ্জাও পায়বা মখোয়গীদি,
তুংলমচৎ অমগী মীৎয়েংদা
ইপা ইপুশিংনা থাবিরমদ্রবসু
ঐখোয়না শেমজ-শাজদুনা
কারসি ঐখোয় কৈরাক,
মখোয়না হান্না কাখ্রবসু
পন্থুংফম হান্না য়ৌনবা
ঐখোয়সু কন্না হোৎনসি,
নীংহন্নবা থগ্লোইসি ঐখোয়,
অৱা অনা কিরোইসি
কারসি ঐখোয় কৈরাক...!!!

## থাশিং অদু শুরে

—সমরজিৎ লাংওনবা

লাও পূল্লসি লাও
ঐখোয় পূল্লসি লাও
চীংমী তম্মী ঐখোয়গী
ৱাৎপা কৌবা লৈরোই।

চীংশাংদনা করি তম্পাক্তনা করি
তুরেলদনা করি পাৎশিংদনা করি
ইপু ইপাশিংনা থন্বীরম্বা খোইরি
করি খঞ্জানরিবা পূল্লসি লাও।

নুমিৎ অদু য়ৌরে
থাশিং অদু শুরে
ঐখোয় পূল্লসি লাও
ৱাৎপা কৌবা লৈরোই।

নোংচুপ্তনা করি নোংপোক্তনা করি
অৱাংদনা করি মখাদনা করি
ইবেন ইমাশিংনা থন্বীরম্বা খোইরি
করি খঞ্জানরিবা পূল্লসি লাও।

নুমিৎ অদু য়ৌরে
থাশিং অদু শুরে
চীংমী তম্মী ঐখোয়গী
ৱাৎপা কৌবা লৈরোই।

নোংথক্তনা করি লৈখাদনা করি
মৈরিলক্তা করি নুংশিৎলক্তা করি
মায়কৈ মরি শুংদাই নিপাল
করিবুদি ৱাৎলিবগে য়েংলুবা খুদিংদা

লাও পূল্লসি লাও
ঐখোয় পূল্লসি লাও
নুমিৎ অদু শুরে
থাশিং অদু য়ৌরে।

## নাহুৎ-নারেং তন্নলনি নৱা মনা শিংলনি

—বীরমঙ্গল পুখ্রম্বম

কাওবা ষণদি লমহেনবা
অর তিতি রো রো
তাশিন্নদ' শাবা শাই
নারেং হেক্তা হুৎতোক্কে
করি লমকেৎ-লমহাইবা।

পুঙ্কক চাউরক্লে নৱাসু
পাখোন নেকপা থৈদুনা
মনা কনবা শাবা শাই
কাওবা ষণগী মতৌবু
মানা অসুম তম্বা শাই।

য়েংউ হৌজিক চৈরেদো
পলেম ইমা শাউরেদো
থীনা হায়বা ঙাঙবসে
মনাদকা হাপ্তেনেসে
ননা হুৎত্রোও নহাকপো।

পাখোন নেকপা থৈরগা
নহাক শিংলে খনবরা
খঙগনি ঙসি য়েংসিদো
নাহুৎ-নারেং তমদুনা
মহৈ লোইশঙদা থাগেদো।

কাওববু নারেং হুৎপদি
পায়মা লৌশিং থেনবনি
বুদ্ধি ৱাৎলি তাকপনি
ইপঙ পঙবা কাওবদি
স্কুল কাগনি খঙদেদো।

নৱা নঙবু নাহুৎপা
মীৎশিং নাশিংলসনু
অশেংবা লৌশিং ফংসনু
অসি খন্না হুৎপনি
ননা শিংলো নৱা-ও।

## লমদমসিদা

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

কনাবুনো ঙাইরিবা
অনৌবা লুচিংবা অমা
করম্বা অনৌবা
অনৌবা লুচিংবা অমা।
নোংপোক থোঙ হাংখ্রে,
নোংচুপ থোঙ লোনগদ্রা?
মমাঙ থোঙসু শবাক ফাক
মনীং থোঙসু শবাক ফাক
অহলশিংগী ৱাহৈদো
ঙসিদি চপ চানা থোক্লরে।
নোংপোক থোঙ হাংলরগনি
নোংচুপ থোঙ লোল্লরগনি।

পুথাং, শুথাং চিনহাই
চিনবুং ৱারী ওইদুনা লাকখিবা
ঙসিদি ইমাংমক্তদা থৌদোক
ৱাথোক ওইনা উরেদো।
মাইচৌশিংনা হায়বিরম্লবা
থৌওইদবা য়ারিবরা
ইমাংমক্তদা থোক্লরে
লমজা শারা লাউররে।

## বঙ্গালি ময়েক

—কান্তা মৈরালাকপম

লৈঙাক্কী অমদি
ইংলিস স্কুলশিংদা
বঙ্গালিসু সবজেক্ট
অমা ওইনা তন্বীয়ু।
বঙ্গালি ময়েক
তন্বীদবদগী পাউচে
ফাওবা পাবা
হৈতবা মী য়াওরে।
লৈঙাক্লা য়াথং
অমা তৌবীদুনা
শোয়দনা তমহনবীয়ু
বঙ্গালি ময়েক।

## নুংশিরকই মতমদো

—তবানু খুরাইজম

নুংশিরকই মতমদো
ক্লাক্লা সাপোন চেল্লিঙৈ
লাউনা লাউনা তান্নবদো
শুমাং থেল্লোং নাচুংদা
শঙ্গু-শঙ্গু তারম্বা 'কদায়'
খল্লুরগা নুংশিরকই মতমদো।
থুম থাক্লীংঙাই লৈতরে
থুম ঙানথক্তা পুনরম্বা
ঙারি লৈতরে হংনরম্বা
লৈত-লায়র ৱারীনা
অরৈ লৈত হংনদুনা
অৱা অনা কোক্লবা
ইতাও, ইতা চীঙ্গোইনা
নুংশি চান্নে মতমদো
পূক্লিং কিসি থম্নদে।
চরোই ক্লাক অনীনা
মতু ফোইনা তান্নবা
নোংথক্তবু খৎনবা
উবা ফংদরে ঙসিদি
নোংমা কাংদা পাইরকপা
মীয়ান ক্লাক্লা ইরমদা
চীক্লা চাইনা ঙল্লক্তরে
মীনুংশি লৈবা কয়ানা
খঙনা উনা উদরে
য়ূমথোঙ কয়াদা য়ারেকফম
নুংশি শানা পীবনা
চাগোক মশীং হেনগৎলে
য়ূম্থুরেন লৈফম লৈরক্তরে
সিবু কনাগী মরালনো
কনাদবু তাইনরুনি।
মীয়ান্দা নুংশিবা থম্বনা
ইশেন নুংশিবা ৱাৎনরে
খন্থৈবে মতম ৱাৎলিবরা
নুংশিরকই মতমদো।

## হিরানবা

—সনবম বিকেন্দ্র

মীওইবগী পূন্সি কয়াবু
পুদুনা চৎলি নীংঙাইদনা
অকিবা অমত্তা ফাওহন্দনা
হোলহল্লি নহাক্লা পূন্সিগী হি
পূক্লিংগী ফজবনা থল্লবা
শোন্নরিবা মফমদুদা।

উহল্লি মখোয়গী মিৎমাঙদা
লেপ্তুনা লৈহল্লি লোন্থোক্তবগুম
নীংশিংবগী খুদমতনা থল্লবা
মহৌশাগী লমদম অদুদা।

হিরানবা শক্লি নঙদি
অদুঙৈগী ঈশৈ ঈপাকসিদা
হৌখিবা ৱারী নীংশিং নীংশিংলদুনা।

## নহা

—লাইফ্রাকপম বীরমনি মৈতৈ

নঙ নহানি হায়দুনা
মতম মাবু উশিৎতবা তৌগনু,
মতম মহাক্তি চৎখিনি লেপ্পা লৈতনা
নঙবু অমুক ঙাইবিরগ্লোই।

খুন্নাইসিগী ৱাখলনি, লম্বীনি
খুন্নাইসিগী শক্তমনি, চাওথোক্লফমনি,
খুন্নাইসিগী তমজনফমনি, লেমজনফমনি
খুন্নাইসিগী অওনবা, অহোংবা পুরক্লবনি।

নহা ওইরিঙৈ নহৈ-নশীন তমজহৌ
নহা ওইরিঙৈ নচাক নরল তানশিনজৌ,
নহা ওইরিঙৈ মতমবু ইকায়খুম্নজৌ
নহা ওইরিঙৈ তৌগদবা নথৌ মশক খঙজহৌ।

করিগীনো নঙনা চাকচা য়ুথক চুমদ্রিবা
করিগীনো নঙনা নিশাগী ঈপাক্তা তাওরিবা
করিগীনো নঙনা লৈখা তাগদবা শাজৎ চৎলিবা
করিগীনো নঙনা ফত্তবা ঈরোন্নুংদা লুপনীংলিবা

খোঙচত্তু কাইখ্রবদি চুমথোকপা লুবনি
লম্বীদু লানখ্রবদি, অচুম্বা থিবা লুবনি,
ইকায় ফিরুক খুমগনি মীমাংদা
করিনি হায়না অমুক লৌগনি।

মৈরানি নঙদি, অমম্বা লম্বীদুগী
কুপশিন্দুনা থম্বা য়ারোই মঙালদু,
চীংথক্তা কাখৎলু অমুক্তং
ঙালহল্লু অমম্বশিংবু নহাক্লা।

# কাইনথংদা বাদাম পাম্বীদু লৈশাৎ তল্লে

## (At last the almond tree blossomed)

-ঈমিল হবিবি

মরুপ্তুনা হায়, "ঐনা নহা ওইরিঙৈ, ইনখৎলকপা মতমদুদদি ঐ ডিক্কনসকী নোবেল, 'এ টেল ওফ টু সিটিজ' হায়বদু ফজনা পাখি। মদুগী হিরো, সিদনী কার্টোন হায়বদু ঐগী থৱায়না তাজবা হিরোনি। মদুগী মথৌনা লৈবা নুপাদু মপুন্সি কৎখ্রিবনি, মানা নুংশিজবী নুপীদুগী নুপাদু কন্নবা হোৎনবদা। মাগী ফিজোলদু শেৎহন্দুনা মঙক কক্তুনা হাৎলদৌবা নুপাদু থাদোকখ্রগা মানা বষ্টিলি কৈশুমশঙদুদা লৈহৌরিবনি।"

"অদুবু" মরুপ্তুনা মখা তারকই, "মী অতৈগী হিরোশিংদৌনা ঐগী হিরোশিং অসিদি মতম শাংনা অৱা-অনা খাঙদুনা লৈগন্দে। মখোয়দি লাক্কনি, চৎখিনি, কুমশিংনা অমুক লাক, অমুক চৎখি তৌবগুম, অদুনা মমৈদদি মখোয় অমখক্তকা ঙাইহৌগনি। হৌগোনা ইবা, 'নোট্রে ডেম' হায়বা ফিলোসোফিকেল নোবেলদুগী হিরো, তোল্লবা গ্রীঙ্গোইরে হায়দুদি য়াখিদবনি মহুৎ শিল্লু হায়বা, থৌনা ফনা চঙশিল্লগা মশক ফজবী জিপসী নিংঙোল 'এসমরেন্দা' বু মথ্বায় কনবীয়ু য়াখিদবনি। মঙোন্দা পুন্সিবু য়োংনা চু পায়গুম পায়রিদু করিগীনো হংলুরগনা মানা খুমদোক্লকখি, - "ঐগী খ্বাইদগী নুংঙাইজবসি ঐ মতম পূম্বদা অয়ূক্তগী নুমিৎতাবা ফাওবা লাইপোক্লুম্বা অমগী নাক্তবু লৈরবদি য়ারে। তশেংনা মদু নুংঙাইখ্রবা অমনি।"

- "অদো 'আরবিজম' দি কমদৌবা ?" ঐনা হংজিনখি।

- "নঙগী অশাউবদু ঙাইহাক্তা ফাজিনখোদা।" মরুপ্তুনা খুল্লকই, "নঙগী করেম্নবদু অমুক্তা ফাজিনখো, চহী ২০গী মতুংদা ঙসিদা ঐখোয়নি উনবসিদা ঐবু নিন্দা তৌখিনু।"

তশেংবদি ঐনা মঙোন্দা 'আরবিজম' চুম্না নীংশিংলুবগী ৱানি। মানা হায়বা চুম্মী, মা-ঐ উনরিবসি চহী ২০গী মতুংদনি। ঙসি নুমিদাং মানা ফূৎ ফাওজিল্লকপসিদা ঐদি ঙক্লুরবনি, চিংনবা অমসু য়াওরবনি। অদুবু মানা ঙাইহাক্তা ঙাইখো, মানা হায়বসি অমুক্তা তাবিখো হায়রিসিনি।

ঐখোয়নিসি হেক প্রাইমারি স্কুল কাবদগী তিন্নরকপা মরুপনি। অদুনা সেকেন্দরিফাওবা তম্মিন্নরক্লিবনি। মতমদুদা ঐখোয়নিনা লীংখৎখিবনি ঐখোয়নিগী 'অরোনবা সোসাইটি' অমা ইংলিসকী মায়োক্তা লেপ্নবা। ঐখোয়নিখক্তনি হৌদোকখিবদু। অদুবু ওইখিদ্রে অদুম। ঐখোয়গী ফংহৌবা মহয় হায়বু, অরোনবা থবকশিংদুগী ফল হায়ববু ঐখোয়নি চুরুট থকপা হৈহৌরে। মতমদুদদি মসি অরোনবা থবক চত্থরকপদা চঙদবা য়াদ্রবা মচাকনি খন্নখি। অদুবু সেকেন্দরিগী পুন্সি লোইদুনা কায়নরমদাইদুদদি, মাসু ঐসু অমুবা সনগ্লাস উপ্নখি, পি লোৎনবা হোৎনবদা। অদুম কায়নখ্রবনি, অমুক উনসিকো হায়নরগা।

অদুদগীদি ঐসু মাসু মাগী মাগী হিংনবা হোৎনবদা লম্বী অমমম চৎনখ্রেদনা। মানা জেরুসালেম পাংখ্রে, আরবিক কোলেজ অমদা মখা তমথখ্রে, অদুদগী অমুক মহাক তম্বা লোইদুনা ঐখোয়গী সহর অসিদা লাকখিবনি, সেকেন্দরি অদুমক্তদা ওজা ওইনবা। ঙসি ফাওবা মহাক থবক্তু তৌরি হায়না খল্লি।

মহাক্লা ইজরেল হেক পাংখিবদগী ঐবু মরী পুমথৎ হেক থদৎখিবনি। করিগুম্বা লম্বীদা থেংনবা থোক্লবসু মানা 'হেলো' হায়বদুফাও য়াম্মনখ্রে খনখ্রবনি। অহানবদদি মানা লাপথোকখিবা মওংদা ঐ ৱারৌখি, অদুবু সুম হৈনরকখ্রে। ঐগী নীংশিং মমিদগী মহাক্কী মমিং মুৎথৎখ্রে। ঐনা মাবু নুপীগুম্বা মীনি খনখ্রে। ঐনা নুপী পঞ্জরুবসি অতৈগী নত্তে, নুপী হায়বসিমক্তবু লৈশারিঙৈদদি নোংমদা নোবেল অমকা পাবা লোইথোক্লিবনি, অমমুক পানবা। অদুবু ময়ূম হেক পানখিবদগীদি নোবেল পাবা হায়য়ে, পাউ- চেফাও মচেৎ অমা টোইলেটতা তারম্বফাও পারুদ্রবনি।

ঐগী অরিবী স্কুল মতমগী মরুপ অসিসুনি। ঐখোয়নিসি খালেদ বেন ঈল ৱাহিদকী লানফম কয়াগী মরমদা অল-মোটানবীনা ইবা অৱাবা শৈরেং অশাংবদু পামিন্নবদা ৱাখলনা স্বর্গ থোঙলোন তরেৎ লান্না পাইমিন্নখিবনি। অদুদা নত্তে, ঐব ঈল-অলানা খৃষ্টান ধর্ম্মগী মায়োক্তা ইবা, আরবিজম শৌগৎপা ৱারোলশিংদু পাবদশুনি। অদুবু অদুগুম্বা মরুপ্তু ঙসিদি মাগী থবক্লা লুখ্রে। হোয়, তৌববুদি ইজরেলদা থবক তৌবা তারবদি মহাক্তু মাগী আরবতা লৈবা মরুপ-মপাং, মরী-মতা অমত্তা পাউ ফাওনবা য়াদে, মদু মখোয়গী অথোরিটিনা অয়াবা পীদে। মপা ওইগেরা, মমা ওইগেরা নৎত্রগা ময়াম্বা ওইগেরা। অদুবু নোংমা ইখঙ খঙহৌদনা ঐগী থোঙ থীল্লরে, থমোয় তনিক-তনিকপা অহিং অমদা, নুমিৎ ৬নি চূপ্পা শোক্লখিবা লান্দুগী হেক মতুং থৱায় পূম্নমক অৱা খেগুম লাংনরিঙৈদা। অদুসু চহী ২০ লাপথোক্লরুরবা মতুংদনি ঙসি মানা ঐগী নাক্তা ফম্লরিবা।

- ঐগী ৱাসি লোইফাওদদি তাবীয়ু, তাবীররোইদ্রা?

মানা ঐঙোন্দা হায়রক্লিবনি।

মানা কমদৌনা নোংশাগী থমোয়মুক চাউনা, অসুক কুইরবগী তুংদা ঐগা উনরুনি হায়না লাক্লিবা? ঐ খঙনীংনা মাবু ঙাঙহল্লে।

- "হৌজিক্তি ঐগী থমোয়গী হিরোশিংগী অলবমদগী ডিক্কনসকী সিদনী কার্টোন লৌথোকখ্রে, ঐগী নারুমদা খাক্লম্বা শমদু অথৌবা ব্লেদনা ঐনা ককখিবা নুমিৎতুদগী।" মানা ৱাদু মখা অমুক মতোমতা শমথরকই "অদুবু ডিক্কনসকী লাইরিক মমিং 'এ টেল ওফ টু সিটিজ' হায়বা অদুদি ঐ খোয়দানা লৌরি, ঐগা য়াম্না চানরি ঐগী পুন্সিগী মহাওসিগা। ওন্থোক্লা চানখ্রে, ঐ পূমঙাও ঙাওরবনি। অদুনা ঐ মসিদা খনখ্রে, চপ চানা মসিগী মখাদা হিংলি। সুমতৌরে, ঐনা চখোক্লবসু মসিবু নুংশিনা থাগোন্নদুনা চৎলে, কনাগুম্বনা লাইৱা য়াওবা মন্ত্র অমবু মমাদুনা পিক্লিঙৈদা মঙক্তা য়ানবীবগুম।"

মহাক ঙাইহাক লেপ্পী ঙাঙবদু, অদুগা মখা অমুক তারকই :

- "অসুম্না অঙকপা মওংদা চানরুবসিনা, ঐসু ইবা হৌরুরে ঐগী ওইবা নোবেল অমা, 'টেল ওফ টু সিটিজ' কৌবা। ঐগী সহর অনী হায়বদি হেলফা অমসুং নজারেথপুনি ঐনা শৈথারিসি। অদুবু অহানবা চেপ্টর ইবদগী মখা তাবা ঙমদ্রে। অদুনা অমুক ঐ সবজেক্ট অনীদা স্পেসিএলাইজ তৌগে লেপ্লে - ইংরাজিগা লোগা। অদুবু অদুসু মায় পাক্লে। অদুনা অমুক শৈরেং ওইনা ইরগে হোৎনখরে লোন অনীদা- আরবিক্লা ইংরাজিগদা। অদুবু অদুসু ওইবা য়াদ্রে, ঐগী শৈরেংদু অশাবা নুংশিৎতা শিৎখ্রে, লোন অনীদুদা। অদুনা তোকথোক্লে। হৌজিক ঐ অৱাবা ওইরি, মরমদি ঐগী ইচা নুপা অমতনি। ঐনদি অনীনা খুজিং ওইনবা ইচানুপা অনীগী মপা ওইনীংলি। ঐ পুমঙাও ঙাওরে, অনী অনীগী ৱাখলদা। ঐনা হায়বা থাজদ্রগা মরুপ নঙগী নচানুপাদুদা হংঙু, মাসু ঐনা ওজা ওইরিবা সেকেন্দরি স্কুলদুদা তন্নিবনি, মানা শোয়দনা হায়রক্কনি মদুদি ঐনা কৈদৌঙৈদা পানবা লাইরিক অমখক্তগী মমিং হায়দবনি, অনীগী মমিং হায়বনি, কবি অমতগী লাইরিক কৈদৌঙৈদা পন্দবনি, কবি অনীগী পনবনি, অফাওবা মীগী মমিং পল্লসু অনীগী মমিং পনবনি। ঐনা মখোয়বু টেষ্ট পরিক্ষা লৌরবসু পুং ২গী মতম পীবনি। হায়রুদনা কান্নদে, ঐগী পুন্সিদা পোৎ খুদিংমক অনী অনীনা খুজিংনি। ঐগী অনীদা ঙাওবগী ৱাখল অসি ডিক্কন্সকী 'এ টেল ওফ টু সিটিজ' হায়বা নোবেল মমিংদু কোক্তা য়ৈখিবদগীনি, মহাও তংঙুবদগীনি। মরুপ নঙসু খঙখিবনিদা থায়না নহা ওইরিঙৈ তিন্নরিঙৈদা। নঙনদি ঐবু 'দবল চিন' খদাং অনী পানবা হায়খ্রিবনি। নঙনা কৌখিবদু কাউখ্রবরা?"

- "কাউদ্রিদা, ঐ কাউদে, কাউদে" ঐনা খুমখি, মখাসু তাখি : "কৌদদি,নঙদি নোয়গা নোয়রে, চাউগা চাউরে। নখজাই অদুনা ধল ধল হেক লাউরে।"

- "অদুবু ঐ খদাং অনীদি পান্দবনি, অমতনি নখোয়গীদৌনা। অদুবু মিংথোল অদুদি ঐঙোন্দা নপ্তুনা লৈথোকখ্রে, ঐনসু মিংথোলদু কোকহন্নীংদ্রে। অদুনা ঐ খদাং কোই শেন্নদ্রে, শমজেৎ হাৎপা হাৎতবা, হামেং খদাংবু মাল্লসু। খদাং অনী মান্নবা- নুপাগী অমা, নুপীগী অমা। অনীবু শুরদি। সহর অনীগী ৱারী, 'দ টেল ওফ টু সিটিজ' পারুবদগীনি, অনীগী লায়নাসি। ঙসিদি যন্ত্র ঙক্তা য়ানবগুম মসিনা ঐগী ঙক্তা য়ান্দুনা লৈরে, অঙাং ওইরিঙৈদগী।"

(ঐগী অরিবী মরুপসি নিয়ম ঙাকচবা মীনি, ফিজেৎতসু, ৱাঙাঙদসু। মাগী হায়বু ৱা খরা কোথগল্লি, অদুবু খক অহৈ-অপাদি শাগন্দে। অদুনা ঙাঙজরসনু খন্না ঐ থাদোক্লে। মহৌশাগী মতৌগুম। মসি ঐনা ফজরোই খন্না তুমিন্না তারুবা ঙাকসু নত্তে, মাবু ঙাঙহল্লিবসিগী মরম অমসু লৈবননি। মানা ঙসি ফূৎ ফাওজিল্লক্লিবা অসি ঐঙোন্দা ঙক্লা থোক্লি, করি ৱাখলদগী লাক্লিবনো হায়বা ঐ খঙনীংলি। ঐনা থাজে, ঐনা খল্লিসি শোয়দনা ওইগনি। ঐনা খল্লি, "মরম অনীসিগী মনুংদা অমা শোয়দনা ওইগনি। অহানবা মরম্না, মহাক হন্দক্কী লান অদুদগী ৱাখল তারকপনি, মরুপ উননিংলকপনি, কুইরবগী তুংদা। ঐখোয়নি কুইনা লাপ্নরুবদু মাগী 'অনীগী লায়না' অসিনা তৌরুবনি উৎনবা হোৎনরিবনি অসিনি। অদু নৎত্রগনা মাসি কনানো অমনা থাজিল্লকপা ওইগনি, ঐবু থেম্নবা। অদুনা মানা 'অনীগী লায়না' গী ৱা ঙাঙশিন্নরগা ঐখোয়নিগী মরুপ ওইবদু হিঙ্গৎহন্নবা হোৎনরিবনি। অদুম তৌরবদি মানা পাম্বা মতমদা ঐবু ফাবা য়ারনি খনবগীনি।" অদুনা ঐ ৱারে তাবা, শাউবু শাউনীংলক্লে। থুনা ঙাঙহল্লগা থুনা থাদোকখিনবা খল্লে।)

অদুগদি মানা ঙাঙবগী লোইবা নাইদ্রে, অসুক কুইনা ঙাঙলক্লবদু তঙ্খায় ফাওবা চল্লমখিরোই। মখা অমুক তারকখি :

- "অদুনা ঐসে কুইনা ঙক্তে, ঐখোয়না থৌরকপা কারদুনা অঙম্বা হাইগৎলকপা, লবান য়ৌরকপগী লম্বী খোইদ্রিং খোইদ্রাংদু হাইগৎলকপদা অদুম ঙাওদ্রে, নাবলুসতগী রামালাহ তাবা লম্বীসিদি।"

মখা অমুক তারকই: "অহানবা কোনা অদু হেক লৈখৎলকপদা ঐ স্বর ফূইনা হোনখি, থমোয় তনিকখি, ষ্টিয়ারিং পায়রিবা খূৎসি নিক্লকখি। চহী ২০মুকসি মসিগী অখোয়বা লম্বীসিদা মিত্তা উদুনা লাক্লবনি। চীংলক্কী অঙম্বশিংসি ঐনা নোংমতা কাউখিদ্রবনি। লাকমিন্নরিবা মরুপশিংদুদা ঐনা চাউথোক্লা হায়রিবনি, লম্বী খুনীংথেক পূম্বা ঐ খঙই, য়েংঙু মশীং ৪নি। থিরগা য়েংজৌ। অদুগা ৱাংখৎলিবা চীংলোনসি মশীং ১০নি, অশংবা তম্পাক কোয়শিন্দুনা থল্লিনি। অদুসু থাজদ্রগা মশীং থিয়ু। অদুদা নত্তে, শিৎলিবা শেংলবা নুংশিৎ, লাক্লিবা লৈনম ঐ লোইনা চিনফা পুরি। মফমসিদা নল্লিবা নুংশিবা লৈনমসি ঐদি পুন্সিদা চূদুনা লৈখ্রবনি। লমদমসি ঐগী পোকফমনি।"

(মাগী ৱারীসি তাবদা ঐ খঙঙে, ঐগী তোল্লবা মরুপসি চহী ২০ কায়নরুরবা মতুংসিদা ঐবুদা উনরুগে লাক্লিবনি। হে! থায়নগী মরুপ, ঐসি কয়াদা থমোয় কল্লুরবা। ঙাকপীয়ু, ঐদি চিংনরুরে, ঐ হৌগৎতুনা মাবু কোন্নিংলক্লে। অদুবু মানা অদুফাওবগী তাঞ্জা পীদ্রি। ঙাঙবা লেপত্রি।)

- লাকমিন্নরিবা মরুপশিংদু ঐনা হায়জবা য়াবীরে। ঐখোয় অরোইবগী খূৎনিংথেক লৈথরকপদা কারদু খাম্লে,মরিশুবদু হেক লৈথরকপদা। লোইনা কূমথরে, অশেংবা নুংশিৎ য়ৈহল্লে, অদুগা অঙকপদা ফজরবা তম্পাকসি য়েংথমিন্নরে, অদুগা কোয়শিল্লিবা চীংলোনসু। অদুদা নত্তে, তম্পাক হাইথরকপদা হৌরিবা বাদাম পাম্বীশিংদুসু। ময়াম্না মফমদু বাদাম পাম্বী ময়াম হৌই হায়দুনা বাদাম খূৎনিংথেক কৌবদাইনে। ঐ মদুদা হেক কূম্বদুদা খূকউ খুদক কূন্দুনা খুরুমনিংলকই, মিৎলু ঈরাং হৌরকখি। উবগুম তৌরকখি, হৌখ্রবা পুন্সি মতেক অমা, মিত্রংগুম মিৎমাঙদা। ঐগী অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সিদু নৌনা চেনশিল্লকখি মিৎমাঙদা। ৱাখলনা চেন্দুনা শান্নরুরি, নুংশিৎ মরক্তুদা থায়নগুম, ইনখৎলকপগী ঈচেলদু ঐগী শিংলিদা চেনশিল্লকই, তোৎশিন্নরদুনা বাদাম মপানগী নুংশিরবা মনমগা লোয়ননা, মৈ হৌরকই থনুং পূম্বা। অদুবু লাকমিন্নরিবা মরুপশিংদুনা মঙলান থুগাইবিরে। মঙলানগী তাইবঙদা ৱাংনা পাইজরুবা ঐবু তাইবঙগী নরক কোমদা চিংথবিরে। লাকমিন্নরিবা মরুপ অমনা লাউরক্লে, খোঙচৎ অমুক হৌনবা, মরমদি ঐখোয়দা পীরকপা পার্মিশন্দা সুম্না কূমথদুনা লম য়েংদুনা লৈবগী অয়াবা পীরক্তে। অমনা অমুক ঐবু লক্লরকই, "মানা মফমসি অসুক য়াম্না নুংশিরিবসি নোংমা মফমসিদা মহাক মপান থোকচিনখিবা ওইরমগনি। চহী ২০মুক্কী মমাঙদা।" অসুম্না পঙঙাং ঙাওনবসিবুদি ঐখোয় ওজাশিংগী হৌনবীনি, লম চখোক্লকপদা মহৈরোয় অমদি ইমুংগী নুপীশিং য়াওদ্রকান্দা।"

মরুপ্তু লেপ্পা লেপ্তে, মখা অমুক শমথরকই :

- "অদুম্না ঐখোয় কুইরমদনা রমাল্লাহ য়ৌরুরে, জেরুসালেম য়ৌরুরে, অদুদগী বেথলহেমসু। অদুদগী অমুক খুদক্তা হল্লে। অদুবু ঐদি ময়াম মতুং ইনবগী ৱানি, ৱাখল অমদা চৎলে, নীংশিংবা থোক্তবা চীংয়াদুদা থোকখিবা ঐগী থৌদোক অমা নীংশিংনবা হোৎনরি, ঐনা পাখং ফারকপদা, চীংমায়দুদা ঐবু করি তৌখিবগে হায়বা ৱাখলদা তাউদুনা চৎখি। অদুবু নীংশিংবা অদুম থোক্তে, থোক্ত্রি হৌজিকফাও। অদুদা খন্দুনা অদুম চৎপদুনা হনবদা চীংমায়দু অমুক য়ৌরফাও, অদুদগী অমুক কুমথরফাও ঐ ৱাখলদা তাউদুনা চৎলি। ঐগী মতৌদু উরদুনা মরুপ অমনা মখূৎতু ঐগী লেংবান্দা থল্লকখি অদুগা হায়রকখি: "লমদমসি হৈফা-নজারেথ লম্বীগী অভারেয়া হাইথবদুগা মান্নদ্রা। অদুনা নঙগী ৱাখল উংদুনা চৎলিদুবু নঙগী মশীং অনীগী লায়নাদু অমুক হৌরব্রা?" মানা অদু হায়রক্লবা মতমদদা ঐগী কোক্তগী পোৎলুম অমা থাংথবিখ্রে। চহী ২০মুক ফাররিনি ঐনা হৈফাদা চয়োল অমদা অনীরক্তি চৎতবা য়াদদনা চৎলিবনি, লমদুগী সেকেন্দরি স্কুল অমদা এক্সত্রা ক্লাস পীবা। অদুনা চৎপদা, হল্লকপদা অভারেয়াগী অঙম্বা লম্বীদু ফাওরিবনি। ঐগী মরুপ্তুনা ঐগী চমম্নবা অমদি কোকহল্লে, ঐনা চীংমায় অনীদুগী মান্নদবা কয়া লৈ হায়বা খঙলবসু। অদুবু ঐনা খল্লি, ঐগী কোক্তা করিনো অমা নীংশিংবা থোক্তদনা লৈরিদু ঐগী মশীং অনীগী লায়না অমা 'টু সিটিজ' পারুবদগী লৈখিবনা ওইহল্লবনি হায়না। অদুনা ঐ চিংনদ্রে, অভারেয়া চীংমায়গা লবানগা মান্নরপ তৌবদুনা পংখল খল্লুবা ওইবা তারে খন্দোক্লে। অদুদগী ঐ কোক খরা য়াংলে।

(কয়াদা ঙকখ্রবনো মী হায়বসি। মশানা কোক্তা পুবা ঙল্লক্তবা মতমদা মশাগী নীংশিং মমিদগী মতোমতা মুথৎচবোইরে। ঐনা নহালমখৈদি খল্লুই - থমোয় শোইনাইবশিংসি ৱাখলদা চৈনা ফংলবা মতমদদা ওইরিবনি হায়না। অদুবু লানবা তারমাল্লে। মীওইবসি শোনখ্রবা জাৎনি, মশাগী ৱাখল থেমজিনবা ঙল্লক্তবা মতমদা মশাগী নীংশিংবা পাঙ্গল হাৎতোকচরগা পেঞ্জরি। অদুদি মরুপসিনা করিগীনো মাগী নীংশিং থোক্তবগী ৱারীসিবু ঐঙোন্দা লীবা লাক্লিবা?)

- "নঙসু শোয়দনা নীংশিংলিনি।" মরুপ্তুনা মখা অমুক তারকই,

"ৱেষ্ট বেঙ্ক অশোমদা ঐগী মরুপশিং অমদি শকখঙনবা কয়ামসু লৈরি, স্কুলদা তমিন্নরকপা, তমিন্নরক্তবা - ওজা কয়ানি, উকিলসু য়াওরি, ডোক্তর, লল্লোন ঈতিক তৌবা, পোলিটিক্স য়াওবা, মন্ত্রি ফাও য়াওরে অদুগা মন্ত্রি ওইরকপা য়ারিবা পোলিটিক্স য়াওবা কয়া অমসুনি। ঐ মখোয় লোইনা উনবা চৎলি, থায়নগী মরীদু হিংগৎহল্লুই। অদুনা অমুক হন্না মখোয়দু ঐগী পুন্সিগী ফজরবা শরুক অমা ওইরে। চহী ২০ মমাঙগী ফীভমদুদা হঞ্জিল্লে। চয়োল অমদা অমুক্তি শোয়দনা কোয়থোক্লরে। করিগুম্বদনা ঐনা চৎলুই, করিগুম্বদনা মখোয়না হেক লাকই। ঐদি খল্লুবনি ঐসি মখোয়না কাউরম্লদৌনি হায়না, মরমদি ঐখোয়সি মখোয়গী পুন্সি পামেলদগী ককথৎলবা উশা ওল্লবনি। উপালদুদগী অকনবা উশা লৌথোকপগুম লৌথোক্লবা, উপালদু হৌনবা অমদি য়েন্নীং হুল্লক্লুবা।

- "অদু ঐখোয় কংবদি কংদেদনা, কংলব্রনে?" ঐনা ওক্তুনা খুমখি "ঐখোয় উশা ওইরসু অমুক হৌরে, উপাল অমমম ওইরে, মনা পূংনা।"

-"নঙনা হায়রিদু চুম্মী।" মানসু পাংশিল্লকই, "অহানবদদি ঐনা মখোয়শিংদু মনাক চৎপদু য়াম্না হঙ্গোইনা চৎলিবনি, তরাম্না ওকপীরক্কনি ঐ থাজরুদবনি। অদুবু ঐ ঙকখি, মখোয়না হেন্না অরিবা মরীদু নৌথোকহন্নীংবা উৎলকখি। ঐ খঙলকই, মখোয়না হেন্না ঐখোয়গী মরী মখোং থিরল্লি, ঐখোয় ইশানা খঞ্জববুদি মখোয়না ঐখোয়বু খনবীবনা হেল্লম্লে। ঐদি মখোয়দা হায়দোকচদ্রবনি চহী ২০ মুকসি ঐনা করি করি তৌদুনা লেনখি হায়বদু, অদুগদি মখোয়না লোইনা খঙবীদুনা লৈরম্লে, ঐনা তৌবশিংদু থাবু থাগৎপীরক্লে, ঐনা খল্লুদবা অফবা নাকলদু মখোয়না হেন্না খঙবীরম্লে। ঐবু ৱাংনা থাঙ্গৎপীরে, অদুনা ঐ ৱাংখৎলে। মখোয়না থাঙ্গৎপীদুনা ঐ হেন্না হেন্না ৱাংখৎলে, অদুনা ঐগী কোকসি কায়বমক্তি কায়ররোই। অদুননি, ঐনা মখোয়দু ঐগী পুন্সিগী অফবা শরুক অমা ওইরে হায়রিবসি, নঙনা চহী ২০ মমাঙদা খঙখিবা ঐগী পুন্সিদু নৎত্রে।"

- "অদুনদি নঙনা লাক্লিসি, ফোংনা নঙ ৱাংলে হায়বা লাক্লিবনিনে, নৎত্রা?" ঐনা হংঙি।

- "অদো অতৈ অমগী লাকপা ওইরম্লদি?" মানা অমুক ওক্লকখি।

- "নত্তে, নঙ মরম অদু লৈবনা ঙসি ঐগীসিদা চঙলক্লিবনি।" ঐনা ৱারৌরপ হংজিল্লি অমুক্কা।

- "শুকনৎ নত্তে।" মানা মখা তারকই, "ঐনা লাক্লিসি ইতোপ তোপ্পা মরম অমগীনি, ঐ খন দুনতা লৈরে, মসিনা ঐবু ৱাহল্লে। ঐনা ঙসাই মরক্তা হায়খ্রেদনা 'লবান' চীংমায় হাইথরকপদা ঐ থোইনা ঙক্তে, চীংমায়দুগী খোইদ্রিং খোইদ্রাং লম্বীদু য়ৌরকপদা ঐবু মথুম মরাং হৌহনখ্রে হায়না। অদুবু মদু ঐগী মশীং অনীগী লায়না অমা লৈবদুনা ঐগী ৱাখলদা 'আভেরেয়া' চীংমায়গা মান্নবরোমদা ৱাহন্থোক পীখ্রে। অদুবু 'লবান' চীংমায়সি ঐনা তরারক্তা নৎত্রে হঙ্গৎ হন্দা থৌরিসি, করিনো অমা মানা ঐবু মথুম মরাং হৌহনবগুম তৌরি হৌজিকসু। অদুবু ৱাখলদা লাম্বা ফংদ্রে। অদুনা ঈথিল অদু আভেরেয়া চীংমায়গা মান্নরম্বদুনা পীরকপা ঈথিল ওইবতারে খন্না ঐ অদুম থেমজিঞ্জরে থমোয়। অদুম লৈজরবনি ৱাখলদু, অদুবু হৌখিবা ফেব্রুৱারী মনুংদা ঐনা ঐগী নুপী অমদি ইচানুপাদু পুরদুনা ওল্ড জেরুসালেমদগী মরুপ অমা উনরুবদগী হল্লকপনি। অদুগদি ঐনা কারদু 'লবান' চীংমায়দা থৌথরকপদা বাদাম পাম্বীশিংদু হেক্তা মপাল শাৎলম্লবগী ৱানি, মাগী অঙৌবা, অঙাঙবা য়ান্নবা লৈশিংদুনা পুমকুপ কূপশিন্দুনা লৈরম্বগী ৱানি। য়েন্নীংথানা ময়াই কাহল্লদুনা চীংলোন ১০দু জগোয় শারম্লবগী ৱানি।"

- "কদায়দগী থীথরক্লিবা শৈরেংদুনা, করি লোন্দা ইবগে শৈরেংদু?" ঐনা হংজিল্লি।

- "ঐগী মিৎকী, থমোয়গী লোন্দা ইজবনি।" মানসু খুল্লকখি, "ৱারীসি লোইবফাওদদি তাবীয়ু কৈদৌগে। ঐগী নুপীনা গাড়ী খাম্মু, লৈ অশাৎপা উশা অমতা থেকখিগে হায়। য়ূমদা পুনবা। ঐসু অরোইবা খূনিংথেক অদু য়ৌরকপদা খাম্মে। অরিবা বাদাম পাম্বী অমগী মপাদা খাম্মে, মাবু অরিবা মরুপনি খন্না। ঐখোয় কুমথরে, মসা মচা মরিখক থেক্লে। মদুদা শাৎপা লৈশিংদুনা কার মনুংদা নোকফেৎ তৌরকপগুম তৌরে, ঐখোয়গী হরাওবদা মখোয়সু য়াওরে। তাঞ্জাদুদা ঐগী নুপীনা হেক হংলকখি, "মসা অমদি ঐখোয় থারুসি, হৌব্রা য়েংসি।"

- "ঐগী নুপীগী ৱাহৈশিংদু হেক তাবদা ঐগী ৱাখলদা ৱাফম অমা খঙনীং নীংশিংলকখি। নঙবু নীংশিংলিব্রা, ঐখোয়না পাখঙ ওইরিঙৈদা ঐখোয়গী মরুপ অমগা জেরুসালেমদগীরা, বেথলহেমদগীরা লৈশাবী অমগা খঙনখিবগী ৱারীদুবু। মখোয়নীগী খূৎনুংশিদু ঐখোয়না পামজখিবনি।"

- "ঐখোয় লোইনা নুংশিনখিবা ঙাক্তনিদা, অমনা অমগী নুংশিনবদু পাম্নখিবা ঙাক্তনি।" ঐনা লায়না হায়দোকখি।

- "অদুবুদি চুম্মী।" মরুপ্তুনা মখা তারকই, "অদুবু মরুপ্তুগী নুংশিনবা মওংদুনা ঐখোয় ময়ামগী নুংশিনবদগী মওং তাবা ইহেন হেনখিদা। ঐ ৱারীদু লীরক্কে - ঐখোয় পিকনিক চৎপনি, 'লবান' চীংয়াদা, অরিবা বাদাম পাম্বীদুগী ময়াদা কূমথরগা ঐখোয় অনকপদা লৈরম্বা য়ূম অমদা চঙখি। য়েন্নাও খরা, ষণবী খরা লৈরম্মী। য়ূমদু হৌজিকসু লৈরি, য়েন্নাও, ষণবীদি উদ্রে। ঐখোয় ঈশিং খিক্তং থক্লুসি হায়দুনা চঙলুবনি। অদুগদি জেরুসালেমলোমদগী লাকপী লৈশাবী খরগা মায়োক্লরুবনি, মখোয়সু পিকনিক লাক্লম্লিবনি। মখোয়দি বাদাম মসা হান্না থেক্লম্লে, লৈ শাৎপা। কাঙলূপ অনীদু উনরে, মখোয়গী মরক্তুদা মরুপ্তুগী চান্নবীদু য়াওরম্বনি। লৈশাবীদুনা মরুপ্তুদা বাদাম মসা অমা পীরম্লগা, মখোয় লোইনা চেনখিবনি। অদুদা চৎপদুবু নঙ য়াওদবরনে?"

- "য়াওই, কৈনো, অদু কৈদৌরবা?" ঐনা মখা তাহন্নীংদুনা হংজিল্লি।

- "হুম, মাগী মরমদা ফজখ্রবা ৱারী অমা নীংশিংলক্লিবা। কমদৌনা ঐগী নাকোং য়ৌরকখিবনো হায়বদুদি ঐ নীংশিংবা থোক্ত্রি। ৱারীদুদি সিনি - নুপীদুনা বাদাম মসা অরোংবা অমা পুশিল্লকই হায়। অদুদগী মসা অমা শেৎলগা নুপাদুদা পীরকখি অদুগা মসা অমনা নুপীদুনা থমহৌরে। ৱাশক্লখি হায়, মাগী মাগী উশাদু মথঙগী য়েন্নীংথা লাক্ত্রিফাও লেঙদনা থম্নসি হায়না। মথঙগী য়েন্নীংথাদা নুপাদুনা মমা-মপা পুরক্তুনা নুপীদুবু হায়বা লাক্কদবা, লুহোংনবা। অদুবু মখোয়গী ৱারীসি কমদৌনা লোইশিল্লমগনি, নঙ করি খল্লি।"

(...মখা লমায় ৭তা)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেং অমদি শৈরেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।